# হিমাচল প্রদেশ ইলেক্সনগী মাঙওইননা কোংগ্রেস লুচিংবা ২৬ বি জে পিদা য়াওখ্রে

শিম্লা, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : থা অসিগী ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা কোংগ্রেস লুচিংবা ২৬ বি জে পিদা য়াওখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জয়রাম থাকুরনা ফোঙদোকখিবদা হিমাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি ধরমপাল থাকুর য়াওনা কোংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা ২৬ বি জে পিদা য়াওরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কুনা অমুক হন্না লৈঙাক শেম্বা ঙম্লগনি হায়বসি ময়েক শেংলে। ইলেক্সনগী মতম নুমিৎ ৪ নি খক্তা ঙাইরবা মতমসিদা কোংগ্রেস লুচিংবা কয়া বি জে পিদা চঙলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থহল্লে হায়রি।

বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা মীওই ২৬ অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর জয়রাম থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমীন্নদুনা হিমাচল প্রদেশতা বি জে পিগী ওইবা অনৌবা পুৰারী অমা শেম্বা ঙম্লগনি। ঙসি চঙলক্লিবা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংদা হান্না লৈরম্বা বি জে পিগী মেম্বরশিংনা হন্থনা য়েংবা তৌরোই। চপ মান্নবা মিৎয়েংদা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নগনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মীয়াম্না নুংশিবা অমদি হিমাচল প্রদেশতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না চাওনা থাজবা থম্না বি জে পিনা অমুক হন্না পৰার পায়বা ঙম্লগনি। বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানসু পাঙথোক্কদৌরিবা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়না ফোঙদোক্লমখিবা অদু মীয়ামগী থাজবা অদুগী মখা পোন্ননি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা চহী লিশাং শিৎনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা থবক ফংদবগী চাং য়াম্না ৰাংলম্বদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়াসু থোক্কুনা লাকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং নহা কয়াদা থবক পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা ক্রাইম রেটকী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না বি জে পিদা নোংমা নোংমগী থাজবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি। পার্টি অসিদা মীয়াম্না থম্লিবা থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই। মীয়াম লৈবনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কন্না লৈবা ঙম্লিবনি। পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎকনি হায়না লাউথোকখিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মতম চানা পায়খৎতুনা লাক্লি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা অমুক হন্না পৰার পায়রবদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওখৎপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা হিমাচল প্রদেশসু য়াওহনগনি হায়রি।



# সী এ এনা লৈবাক অসিদা কম্যুনেল ওইবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্কনি ঃ ত্রিনামুল

কোলকটা, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। হায়রিবা এক্ট অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা কম্যুনেল ওইবা থৌদোক কয়া থোকহল্লক্কনি হায়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা এক্ট অসিনা খুদোংচাবা পীগদৌরিবা অসি মীওই ফুরুপ খর খক্তদনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৰাঙাংলোয় কুনাল ঘোসনা ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপা খুদিংগী বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা পান্থৈ কয়া শীজিন্নদুনা অমদি মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা ইলেক্সন মায় পাক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। গুজরাটতা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অসিদা সী এ এ চৎনহল্লবদি মপান লৈবাক্তা লৈরিবা সিখ কয়া মখোয়গী মরমদম ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াগনি হায়খিবা অদু গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা মীয়ামদা নমথাক তৌবা হৌরক্লিবনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান অনী থোকখিবা মতমদা পাকিস্টানগী মায়কৈদা লৈখ্রবা হিন্দু অমুং সিখ ফেমিলিশিং সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌরবদি মনিং তম্না লৈবাক অসিদা হল্লকপা ঙমগনি হায়রিবা অসিগী নুংগী ৰাহন্থোক তোঙাল্লি। ইন্দিয়াদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌরবা মতুংদা চঙলকপা য়াগদৌরিবা মীওই ফুরুপ অসি অখন্নবা খর খক্তনি। মুস্লিমশিংগী ওইনদি সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌরবসু লৈবাক অসিদা অমুক হন্না লাক্কুনা ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইনবগী অয়াবা য়াওদে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী সিটিজেন্সিপ ওনবদা অয়াবা পীরিবা অসি হিন্দু, সিখ, বুদিষ্ট, জেইন, পর্সি অমসুং খৃষ্টনশিংনি। অফগনানিষ্টান, বাঙ্গলাদেস অমসুং পাকিষ্টানদা লৈরিবা হায়রিবা ফুরুপ ৬ অসিগী মনুংচনবা মীওইশিং লৈবাক অসিগী সিটিজেন ওইবা য়াগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লাউথোক্লকবসু অতোপ্পা ফুরুপশিং য়াওহল্লক্ত্রিবা অসিগী মতাংদদি মীয়াম খঙনা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। বি জে পিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না ৰাশক কয়া শক্কুনা লাক্লি। অদুবু ষ্টেট অসিদা ৰাথোক ওইরিবা এক্ট অসি ত্রিনামুল কোংগ্রেস লৈরিঙৈদা কৈদৌনুংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌহল্লোই হায়রি।



# নোর্থ ইষ্টকী খুঙ্গং খুদিংমক্তা ৪ জি নেটৱার্ক ফংহল্লগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : লাক্লিবা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা ৪ জি নেটৱার্ক ফংহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা খুঙ্গং খুদিংমক্তা ৪ জি নেটৱার্ক ফংহন্নবা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং য়েংশিল্লবা মতুং কিরন রিজিজুনা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা টেলিকোম রিভোল্যুসন লাক্লে। ষ্টেটশিং অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গং খুদিংমক্তা মোবাইল নেটৱার্ক ফংহল্লগনি। মথং চহীগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমসুং ঙমখৈগী শরুকশিংদা ৪ জি মোবাইল সর্ভিস নেটৱার্ক লৈহন্নবা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা লোয়শিল্লগনি হায়রি।

# 'মীয়াম্না নুংশিবা হেনগৎলকপদগী বি জে পিনা শাওবা হেনগৎলকপনি'

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মহাকপু নোংমা নোংমগী নুংশিবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা বি জে পিনা শাওবগী চাংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা করেম্নবা মওংদা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দেল্লিদা এ এ পিগী লৈঙাক অসিবু ইন্থুনবগীদমক বি জে পিনা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা লাক্লি। দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পি গভর্ণমেন্ট ইন্থুনবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা পঞ্জাবতসু এ এ পিগী ওইবা লৈঙাক লাকখিবদগী হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট মীখলদা বি জে পি মায়থিরগনি চিংনবদগী অশাওবা কয়া উৎপা হৌরক্লিবনি হায়রি।

# কোভিদ-১৯ গী কেস ৬২৫ দগী হেন্না থেংনখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৬২৫ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৬২৫ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৬২,১৪১ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৪,০২১ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫০৯ দা লেংদনা লৈখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৩ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৭৪ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

# য়ু পিদা মীরোল্লবী নুপী অমা ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে

য়ু পি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : থবক শুবা চৎখিবা মপুরোইবগী মনাক্তা চান-থক্লবা পোৎলমশিং থিল্লুরগা হল্লকপগী লম্বীদা মীরোল্লবী নুপী অমা মীওই অনীনা গেং রেপ চথখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসি চহী অসিগী জুলাই ১৬ তা থোকখিবা থৌদোকনি। ভিক্টিম নুপী অসিগী লৈকায়গী নুপা অনীনা মহাকপু ফাদুনা পুরবা মতুং চু ফার্ম অমদা পুশিন্দুনা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি। অমরোমদা, ভিক্টিম নুপী অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মহাকপু গেং রেপ তৌখিবা মতম অদুদা মহাক মশা থা অনীমখাইরোম মীরোল্লবা মতমনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিসতা মহাক্না কমপ্লেন তৌখি। অদুবু পুলিস ওফিসরশিং অদুনা মহাক্কী কমপ্লেন থৌওইনা তাখিদবগা লোয়ননা এফ আই আর ফাইল তৌখিদে হায়রি।

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING:MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 73/AS&SO Dated: 07/11/22**
Maisanam Bino Devi W/o (L) Ibomcha Singh of Kakching Irum Lamdong. -Petitioner

-Vs-

Do - (L) Jiten S/o (L) Ibomcha Singh of Uripok Bachaspati Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
07/11/22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৫৯-ককচিং খুল্লেন পাট্টা নং ৩২৭/৯২৭/pt(E) অনৌবা দাগ নং ২২১/pt(E) এরিয়া .১০ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মাইস্নাম জিতেন সিংহ পী: ইবোমচা সিংহ সাং উরিপোক বচসপতি লৈকাই বর্ত্তমান ইরুম মথক লমদোং অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching:Manipur

HL-P/4656/09

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/2243 Dated, the 3rd Nov. 2022**

Sobiya Khatun W/o (L) Md. Azizur Rahman of Lilong Haoreibi Mayai Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Lilong the 04th Nov. 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Sobiya Khatun W/o (L) Md. Azizur Rahman of Lilong Haoreibi Mayai Leikai, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/4655/09

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/2261 Dated, the 7th Nov. 2022**

Mrs. Monira Bibi W/o (L) Md. Ajijur Rahaman of Lilong Haoreibi Lou Manga.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Lilong the 08th Nov. 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Monira Bibi W/o (L) Md. Ajijur Rahaman of Lilong Haoreibi Lou Manga, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/4657/09

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING:MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 71/AS&SO Dated: 07/11/22**
(1) Ningthoujam Shyam Singh S/o (L) Ibohal Singh of Elangkhanpokpi.
(2) - do - Openkumar Singh S/o (L) - do - of - do -
(3) - do - Inaoba Singh S/o (L) - do - of - do -
(4) - do - Herojit Singh S/o - do - Ibonaha of - do -
(5) - do - Abungcha Singh S/o - do - of - do -
(6) - do - Milanta Singh S/o Ibotomba
(7) - do - Inaoba Singh S/o Ibotombi Singh of - do -
(8) - do - Chitaranjan Singh S/o Ibonaha Singh of - do -
-Petitioners

-Vs-

(L) Ningthoujam Ibohal Singh S/o Amuba Singh of - do- -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 7/11/22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭৩-এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ৫৫১/৩৪২ অনৌবা দাগ নং ১১৮৬ এরিয়া .৪৪ একর ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার Co-Pattadar No. (2) নিংথৌজম ইবোহল সিংহ পীং মৃ: অমুবা সিংহ সাং এলাংখানপোকপী অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching:Manipur

HL-P/4656/09

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI

**Ref :- Mutation Case No. 297/SDC/KBI Dt, 08/11/2022**
1) Okram Sushilkumar Singh S/o (L) O. Bidhu Singh of Singjamei Makha Okram Leikai, Imphal.-Petitioner

-Vs-

1) Okram Bidhu Singh S/o (L) O. Gourahari Singh of Singjamei Makha Okram Leikai, Imphal and
2) Okram Chinglensana Singh S/o (L) O. Bidhu Singh of do.
-O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Kumbi, the 8th Nov. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুন নং ৯৮ - তোরবুংদা লৈবা অঙনফৌ অমদি ফৌরেল লৌফমশিংদা পানলিবা পাট্টাদারশিং মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: ওইখ্রবা অপোকপা মপা অমদি পোকমিন্নবা ময়াম্বগী মিংদা পানবা লৌফমশিং অসি Petitioner না মাগী মিংদা পানবীরো হায়দুনা SDC-Kumbi গী Court তা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। Petitioner না মাগী মিংদা পাট্টা পানবীরো হায়রিবা পাট্টাশিংদি মথংশিংনা ১) ১৯২, ২) ৪১৩, ৩) ৪৪/৫০৯, ৪) ৩৯, ৫) ৪৪/৪৩৬, ৬) ১২৭, ৭) ৩৮৪ অমসুং ৮) ১৩৬ (অনৌবা পাট্টা নংশিং), দাগ নং ১) ১৩২৭/১৪৬৪, ২) ১৩২৬, ৩) ১২৯০/১৭৪৪, ৪) ১২৯১ & ১৩০৪, ৫) ১২৯০/১৭১৫, ৬) ১৩১০ & ১৩১২, ৭) ১৩২৩, ১৪৯৭ & ১৩২৪ অমসুং ৮) ১২৩৮ অমসুং ১২৩৭, অপুনবা এরিয়াশিংদি মথংশিংনা ১) ০.২৮ একর, ২) ০.৫৩ একর, ৩) ১.০৮ একর, ৪) ০.৪২+১.৬৩=২.০৫ একর, ৫) ১.২৫ একর, ৬) ২.৫০ একর, ৭) ০.৯০+০.১২+১.৬০=২.৬২ একর অমসুং ৮) ৩.১২ একর = ১৩.৯৩ একর অপুনবা। মরম অসিনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবশিংনা মথক্কী পাট্টা নংশিং অসিদা Objection তৌনিংবা লৈবিরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা ওইনা লাক্কুনা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্কী মতম নুমিৎ ৭ অসিদা Objection তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুংইন্না Case মখা চত্থদুনা মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Kumbi

HL-P/4823/09

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 636/SDC/SWG of 2022.**
Parties:-
Chesam Ramejuddin S/o Chesam Iboton of Heikrumakhong Khomidok. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar:-
Ithoi Bibi D/o (L) Abdul Rahim Miya of Khabeisoi.
-Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sawombung, the 7th November 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন: 32-Khabeisoi পাট্টা ন: 174 (অরিবা) 167/548 (অনৌবা) দাগ ন: 235 মোট এরিয়া 0.54 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পট্টাদার Ithoi Bibi অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/4828/09

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 639/SDC/SWG of 2022.**
Parties:-
Kismat Begum W/o Md. Gulam Hassan of Minuthong Hafiz Hatta. -Petitioner

-Vs-

Late Co-Pattadar No. 3:-
Mani Bibi W/o Md. Obedulla of Khabeisoi. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sawombung, the 8th November 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন: 33-Angom Leikai পাট্টা ন: ... (অরিবা) 230 (অনৌবা) দাগ ন: 14 মোট এরিয়া 0.605 out of 2.42 একর চাওবা ইঙ্খোল লৌফমগী পট্টাদার Mani Bibi (Co-Pattadar no. 3) অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/4828/09

## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-SALAM

**Ref :- Mut. Case No. 143/SDC/IW(S) of 2022.**
Naoroibam Sorodhoni Devi W/o (L) N. Babu Singh of Iroisemba Mayai Leikai, Imphal West. -Petitioner

-Vs-

Naoroibam Munal Singh S/o (L) N. Rupo Singh of Iroisemba Amuthong Leirak, Imphal West. -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
8/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: সলাম তাহসিলগী খুল নং 65-Tharoijam গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 182/242 দাগ নম্বর 196/404 গী এরিয়া 1.25 একর চাওবা ফৌরেলগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 09-11-2022 to 15-11-2022 ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Salam

HL-P/4824/09

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING:MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 72/AS&SO Dated: 07/11/22**
Maisanam Bino Devi W/o (L) Ibomcha Singh of Kakching Irum Lamdong. -Petitioner

-Vs-

Do - (L) Ibomcha Singh S/o Pungou Singh of Uripok Bachaspati Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
07/11/22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৫৯-ককচিং খুল্লেন পাট্টা নং ৩২৭/৯২৭/pt(G) অনৌবা দাগ নং ২২১/pt(G) এরিয়া .০৩৫ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মাইস্নাম ইবোমচা সিংহ পীং পুঙৌ সিংহ সাং উরিপোক বচসপতি লৈকাই অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching:Manipur

HL-P/4656/09

## ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯔꯨꯔꯦꯜ ꯕꯦꯉ꯭ꯛ / MANIPUR RURAL BANK

**H.O. KEISAMPAT IMPHAL**
**POSSESSION NOTICE**
(For immoveable property) Rule-8(1)

Whereas the undersigned being the authorized Officer of the Manipur Rural Bank under the securitization and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of security interest Act, 2002 and in exercise of powers conferred under section 13(2) read with rule (3) of the security interest (Enforcement) Rules, 2002, issued Demand Notice (s) within 60 days from the date of the said Notice(s).

The borrower(s) having failed to repay the amount, notice is hereby given to the borrower(s), in particulars and the public in general that the undersigned has taken possession of the properties described herein below in the exercise of powers conferred on him under section 13(4) of the said Act read with Rule (8) of the said rules on the date mentioned below against their names.

The borrower(s) in the particular and the public in general are hereby cautioned not to deal with the properties and any dealings with the property will be subject to the charge of the Manipur Rural Bank(Singjamei Branch) for the amount(s) mentioned below and interests thereon.

| Sl. No | Name of the Borrower, Account No.& Branch | Date of the Demand/ SARFAESI Notice | Amount outstanding as on 30/11/2017 | Description of property(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Ningthoujam Kumar Mangang S/o, (L) N. Chandramani Singh, Thangmeiband Maisnam Leikai, Imphal West, A/C no.9001300015677 Imphal Branch | 16-03-2019<br>Date of 13(4) 03-11-2022 | Rs.82,31,846/- | Equitable Mortgage of property Situated at Village No. 79 - Nongdam,Imphal East district, (In the name of N. Kumar Mangang, s/o, (L)N.Chandramaniasingh), Total Area of (0.46+0.14=0.60 Acres) Recorded in Patta no. 175(O),74(New) C.S. Dag No.-59&60, Gift Deed No.: 630, dated 25-5-2013, Book No. 3, Volum No.: 4, being 630 of 2013,Sub. Reg. office – Sawombung |

**Sd/- Authorised Officer**
**Manipur Rural Bank**

HL-B/7886/09